


# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, THURSDAY, APRIL 19, 2018 PAGE 7

*ফ্রান্সকী সিটি মোনাকোদা চংথরিবা মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবা জপানগী শান্নরোই কৈ নিসিকোরি*

*বেয়র লেভরকুসেনবু পাঞ্জল ৬–২ দা থোইদুনা জর্মন কপগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী হেটট্রিক্কী পাঞ্জল চনখিবা থোমাস মুল্লরনা*

## ইন্দিয়ানা ২০২২ কম্মনৱেল্‌থ গেমস বোইকোট তৌগদবনিঃ রানিন্দর কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা সুট্টিং য়াওহন্দবনা নহাশিংদা কায়গনিঃ জিতু রাই

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৮ঃ*

নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (এনআরএআই) গী প্রসিদেন্ট রানিন্দর সিংহনা কুমজা ২০২২ দা পাঙথোক্কদবা কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা সুট্টিং দিসিপ্লিন য়াওদ্রবদি গেমস অদু বোইকোট তৌগদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। অমরোমদা দিসিপ্লিন অসি য়াওদ্রবদি নহা ওইরিবা সুট্টরশিংদা অকায়বা কয়া লাক্কনি হায়না ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা সুট্টর হন্দক্কী গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা গোল্ড মেডল ফংখিবা জিতু রাইনা ফোঙদোকখ্রে।



চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা কম্মনৱেল্‌থ গেমসকী চীফ ইকজিক্যুটিভ ওফিসার ওইরিবা দেবিদ গ্রিভেমবর্গনা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ২০২২ দা ইংলেন্দগী সিটি বিরমিংঘামদা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা সুট্টিং দিসিপ্লিন অসি য়াওররোই হায়না ফোঙদোকখিবনি।

গ্রিভেমবর্গনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা সুট্টিং দিসিপ্লিন অসি কম্মনৱেল্‌থ গেমস অসিদগী লৌথোকপা নত্তে। য়ুম্বু ওইরিবা লৈবাক অদুনা দিসিপ্লিন অমা লৌথোকপা অমদি হাপচিনবগী খুদোংচাবা লৈবননি হায়খি।

লাক্লিবা খোঙথাং অসিদা এনআরএআইগী প্রসিদেন্ট রানিন্দর সিংহনা ফোঙদোরকপদা করিগুম্বা সুট্টিং দিসিপ্লিন অসি বিরমিংঘাম কম্মনৱেল্‌থ গেমস ২০২২ দা য়াওদবা তারবদি ইনিদয়ানা গেমস অদু বোইকোট তৌগদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

রানিন্দর সিংহনা গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না মেডল লৌবা ঙম্লিবা সুট্টিং দিসিপ্লিন অসিগী সুট্টরশিং ওকপগী থৌরম অমদা ফোঙদোকখিবদা অথুবা মতমদা ইন্দিয়াগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি অমদি ইনিদয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসনদা অথুবা মতমদা দিসিপ্লিন অসি ২০২২ গী কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা য়াওদবা তারবদি ইন্দিয়ানা গেমস অদু বোইকোট তৌগনি হায়বগী ৱারোল ইগনি হায়খি।

রানিন্দরনা ইন্টরনেসনেল সুট্টিং স্পোর্টস ফেদরেসন, কম্মনৱেল্‌থ গেমস ফেদরেসন অমসুং বিরমিংঘাম গেমস ওর্গনাইজিং কমিতিগা পাও ফাওনদুনা সুট্টিং দিসিপ্লিন অসি য়াওননবা হোৎনরি হায়না মখা তাখি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা গোল্ড ৭, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৫ ফংলগা পুন্না মেডল ১৬ লৌখিবা অদুনা ইনিদয়াগী শান্নরোইশিংনা শরুক য়াখিবা দিসিপ্লিনদা খ্বাইদগী মশীং য়ামখিবনি।

গোল্ড মেডল লৌখিবা সুট্টর জিতু রাইনা ফোঙদোকখিবদা সুট্টিং দিসিপ্লিন অসি বিরমিংঘামগী কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা য়াওদ্রবদি ইন্দিয়াখক্তা নত্তনা অতোপ্পা লৈবাকশিংগী নৌনা খোঙদারকপা সুট্টর কয়া নিংবা কায়বগী তাঙ্কক অমা লাক্কনি হায়খি।

কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা শরুক য়ারিবা লৈবাক ৭১ গী শান্নরোইশিংগী মরক্তা সুট্টিং দিসিপ্লিনদা মশাগী কেরিয়র অমদি মখোয়–মখোয়গী লৈবাক্কী মিংচৎ পুরকপগী লম্বেল অমা ককপনি হায়না জিতু রাইগী ৱাফমদা য়াওখি।

## সাফ কপ ফুটবোলদা ইন্দিয়া, মালদিপ্স অমসুং শ্রী লঙ্কা গ্রুপ 'বি' দা থেংনরগনি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৮ঃ*

সাউথ এসিয়ান ফুটবোল ফেদরেসন (এসএএফএফ) কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা টাইটল ৭ লক লৌবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়ানা মালদিপ্স অমসুং শ্রী লঙ্কাগা পুন্না গ্রুপ 'বি' দা লম্বা তৌনগদৌরি।

চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৪ দগী ১৫ ফাওবা বাংলাদেশনা অহুন্নকশুবা ওইনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু ওইদুনা সাউথ এসিয়াগী লৈবাক ৭ না লম্বা তৌনগদৌরিবা অসিগী গ্রুপ 'বি' দা ইন্দিয়া, মালদিপ্স অমসুং শ্রী লঙ্কা য়াওরি। অদুগা গ্রুপ 'এ' দা য়ুম্বু বাংলাদেশ, নেপাল, পাকিস্তান অমসুং ভুটান য়াওরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী টিম্না টাইটল ৭ লক লৌখিবদা মালদিপ্সকা ফাইনেল ৩ শান্নবদা মায় পাকপা ঙমখি। কুমজা ২০০৮ কী ফাইনেল অদুদা ইন্দিয়াবু মালদিপ্সনা মায়থিবা পীখিবনি।

মদুগী মমাঙদা কুমজা ১৯৯৭ অমসুং কুমজা ২০০৯ দা ইন্দিয়ানা টাইটল ফংখি। বাংলাদেশনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসএএফএফ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ১২শুবা ইদিসন অসি য়াম্না মরুওইবনি হায়না এসএএফএফকী প্রসিদেন্ট সালাহুদ্দিনা ফোঙদোকখি।

## স্পেনগী লা লীগাগী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইরিবা বার্সেলোনা সেল্টা ভিগোগা পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে, ভিলারিয়েলনা লিগেন্সপু মায়থিবা পীখ্রে

*মাদ্রিদ, এপ্রিল ১৮ঃ*


স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লা লীগাগী ৩৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টেবলগী মকোক্তা লৈরিবা বার্সেলোনা অমসুং সেল্টা ভিগো পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে। লীগ অসিগী অতোপ্পা ৩৩শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ভিলারিয়েলনা লিগেন্সপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

বার্সেলোনা অমসুং সেল্ট ভিগোনা শান্নখিবা মেটচ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী হৌবদগী হৌনা য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবা মরম্না অহানবা হাল্ফকী শান্নবা মিনট ৩০ চঙশিল্লক্লুবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

মতম কুইনা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথুরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই ওসমানে দিম্বেলিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা সেল্ট ভিগোবু পাঞ্জল ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

সেল্টা ভিগোগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্লুবা কন্না হোৎনদুনা বার্সেলোনাগী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্দুনা এটেক তৌবা হৌরকখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী অরোইবা মিনটতা সেল্ট ভিগোগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা জোনিনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা হাল্ফ অদু লোইশিনখিবদা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। শান্নবগী ৬৪শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ফ্রান্সিস্কো অলকাসরনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা বার্সেলোনানা অমুক্কা হন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।



*বার্সেলোনা অমসুং সেল্ট ভিগোগী শান্নরোই অনীনা লা লীগী লীগ মেটচ অমদা বোল মুন্ননবা হোৎনবা*

শান্নবগী ৭১শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোই সর্জিও রোবার্টোনা সেল্ট ভিগোগী শান্নরোই অমদা নিয়ম লান্না ফাওল তৌরুবগীদমক রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তাম্থোকখিবদগী বার্সেলোনাগী শান্নরোই ১০ খক ঙাইহৌখি।

শান্নরোই অমা ৱাৎলবা বার্সেলোনাগী মায়োক্তা সেল্টা ভিগোগী শান্নরোইশিংনা ৮২শুবা মিনটতা চথুরকখিবা এটেক অমদা আইগো অস্পাসনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু টিম অনীমক পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৩৩শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা ভিলারিয়লনা লিগেন্সপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

ভিলারিয়েল অমসুং লিগেন্সনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা য়াম্না লম্বা মান্ননা অমনা অমবু হেনজিনবা ঙম্মদনা লৈরকখি। শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা ভিলেরিয়েলগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা ভিক্তর রুইজনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা লিগেন্সপু ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা শান্নবগী মিনট ৫৫ চঙশিল্লকপদা ভিলারিয়েলগী শান্নরোই কার্লোস বাক্কানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা লিগেন্সকী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা দার্কো ব্রাসানাকনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লুবা মতুং মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবদগী ভিলারিয়েলনা লিগেন্সপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৩৪শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ব্রাইটোন এন্দ হোভ অলবিওন পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি। টিম অনীমক অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী ৪৮শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী শান্নরোই হেরি কেননা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা ঙমখি। ৫০শুবা মিনটতা ব্রাইটোন এন্দ হোভ অলবিওননা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা পাস্কেল গ্রোসনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি। মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।

ইটালিগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এ গী ঙসি শান্নখিবা ৩৩শুবা লীগ রাউন্দ মেটচ অমদা ইন্টর মিলাননা কাগলিয়ারিবু পাঞ্জল ৪–০ দা মায়থিবা পীদুনা হান্না ৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী ৩শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি।

## য়ুএসএদা ত্রেনিং তৌগদবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং ভিসাগী চয়েৎনবা লৈবনা খোঙচৎ অদু য়ারোইদবগী ফিভমদা লৈরি

*ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৮ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্ট সিটিদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা গোল্ড মেডল ৩, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ ৩ ফংদুনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংগী মনুংদা য়ুএসএগী টেক্সাসতা ত্রেনিং চথুগদবা খোঙচৎতা ভিসাগী চয়েৎনবা লৈবদগী খুদোংচাদবা অমা লাক্কদৌরি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইনিদয়ানা লৈবাক অসিগী নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবা বোক্সরশিং হেন্না ফহন্নবগীদমক্তা য়ুএসএগী টেক্সাসতা লৈবা মমিং লৈরবা মাইকেল জোনসন একাদেমীদা মথং থাগী মে ১ দগী ১৮ ফাওবা নুমিৎ ১৮ চুপ্না ত্রেনিং অমসুং কনিদসনিং কেম্প পাঙথোক্লবগীদমক পুন্না নুপা অমসুং নুপীগী বোক্সর ২২ শরুক য়ানবা থবক পায়খৎখিবনি।

অদুবু ন্যু দিল্লিদা য়ুএসএগী এম্বেসিগী মায়কৈদগী নুপীগী কেজি ৬০ গী বোক্সর অমা ওইরিবী মণিপুরদগী হৌখিবী লাইশ্রম সরিতা দেবী, কেজি ৬৯ গী নুপীগী বোক্সর লোৱ্লিনা বোর্বোহেন অমসুং কেজি ৪৯ গী নুপাগী বোক্সর কম্মনৱেল্‌থ গেমসতা সিভলর মেডল ফংখিবা অমিত ফংগালগী মায়কৈদগী মরিক চুম্বা চে–চাং য়াওদবদগী ভিসা অদু পীখিদবনি হায়রি।

পুন্না বোক্সর ২২ গী মনুংদা মরুওইবা বোক্সর ৩ গী ভিসা য়াখিদবা অদুগা মরী লৈননা অৱাৎপা চে–চাং হাপচিন্নবা য়ুএসকী এম্বেসিনা খঙহল্লকখিবনি। অৱাৎপা অদু হাপচিল্লবসু মখোয় অহুমগী ভিসা অদু য়ামদ্রবদা চয়োল খরা চঙগদবা মরম্না টেক্সাসকী ত্রেনিং কেম্প অদু মপুং ফারোইদবগী মমি অমা তারক্লি।

টেক্সাসকী ত্রেনিং কেম্প অসি ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অমসুং এসিয়ান গেমসতা ফজবা পার্ফোমেন্স ফংনবগীদমক পাঙথোক্কদবা কেম্পনি।

করিগুম্বা বোক্সর ৩ গী ভিসা অদু অথুবা মতমদা ফংদ্রবদি বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱাফমদা টেক্সাসকী কেম্প অদু তোক্লগা অতোপ্পা লৈবাক্কী একাদেমী অমদা চৎপগী খোঙথাং অমা লাক্কদৌরি। ফেদরেসন অসিনা সর্ভিয়া অমসুং ফ্রান্সতা ইনভাইটেসনেল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর খরসু শরুক য়াহন্নবগী খোঙথাং মমাঙদা পায়খৎপা লৈরিবনি।

## বুন্দেসলিগাগী চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিকনা বেয়র লেভরকুসেনবু পাঞ্জল ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা জর্মন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ফাইনেল য়ৌখ্রে

*বর্লিন, এপ্রিল ১৮ঃ*

জর্মনিগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা বুন্দেসলিগাগী মমাঙগী চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিকনা বেয়র লেভরকুসেনবু পাঞ্জল ৬–২ দা য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীদুনা জর্মন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ফাইনেল য়ৌখ্রে।



*বেয়র্ন ম্যুনিককী শান্নরোইশিংনা সেমি ফাইনেল মায় পাক্লুনা জর্মন কপগী ফাইনেল য়ৌখিবদা হরাওবা ফোঙদোকপা*

বেয়র্ন ম্যুনিক অমসুং বেয়র লেভরকুসেননা শান্নখিবা জর্মন কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা বেয়র্ন ম্যুনিককী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং হেনখি।

শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিককী শান্নরোই লিৱানে দাস্কিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ১–০ দা মাঙজিল থারবা মতুং ৯শুবা মিনটতসু মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা বেয়র লেভরকুসেনবু ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

শান্নবগী ১৬শুবা মিনটতা বেয়র লেভরকুসেনগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা লার্স বেন্দরনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লুবা মতুং অহানবা হাল্ফকী শান্নবা অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিককী শান্নরোই থোমাস মুল্লরনা মহাক্কী হেটট্রিক্কী অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা হৌখি। মখা তানা টিম অনীনা শান্নরকপা অদুগী ৬০শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিককী শশন্নরোই থিয়াগো অলকান্টারানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা বেয়র লেভরকুসেনবু ৪–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

৬৪শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিককী শান্নরোই থোমস মুল্লরনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা বেয়র লেভরকুসেনবু পাঞ্জল ৫–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

শান্নবগী ৭২শুবা মিনটতা বেয়র লেভরকুসেনগী শান্নরোইশিংগী মায়কৈদগী তৌশিল্লকখিবা এটেক অমদা লিওন বেলিনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লুনা ২–৫ দা শোংখদুনা লৈখি।

শান্নবগী ৭৮শুবা মিনটতা বেয়র ম্যুনিককী শান্নরোই থোমাস মুল্লরনা মহাক্কী হেটট্রিক্কী পাঞ্জল অদু চন্দুনা মখা তাবা মেটচকী লেমহৌবা মতম অদুদা অহেনবা পাঞ্জল লৈনখিদবদগী মেটচ অদু বেয়র্ন ম্যুনিকনা বেয়র লেভরকুসেনবু পাঞ্জল ৬–২ দা থোইদুনা জর্মন কপকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

বেয়র্ন ম্যুনিকনা হয়েং সাঙ্কে ০৪ অমসুং ইনত্রাক ফ্রাঙ্কফর্টনা শান্নগদবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অথোইবগা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

## নম্বর ৱান সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভ মোন্টে কার্লো ওপন টেন্নিসকী ৩শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

*মোনাকো, এপ্রিল ১৮ঃ*

নম্বর ৱান সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং ৪শুবা সিদেদ বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভ ফ্রান্সকী সিটি মোনাকোদা চংথরিবা মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।



*মোন্টে কার্লো টেন্নিসকী অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রবা স্পেনগী রাফেল নদাল (ওই) অমদি বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভ*

স্পেনগী রাফেল নদালনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা স্লোভেনিয়াগী এলজাজ বেদানিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীরম্বনি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা স্পেনগী রাফেল নদালনা বেদানিগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোংখরবা বেদানিগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদুদা লম্বা খরা পীবা ঙমখ্রবসু স্পেনগী রাফেল নদালনা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী কে খাচানোভকা লম্বা তৌনরগনি।

মোন্টে কার্লো টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোভনা ফ্রান্সকী পি হর্বটপু নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা সেট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট ফ্রান্সকী হর্বটনা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদা দিমিত্রোভগী মায়কৈদগী য়াম্না ফজনা শান্নরকখিবদগী হর্বটকী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম মান্নখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা দিমিত্রোভনা হর্বটকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬–৪ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী ফিলিপ কোলস্ক্রেবরগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৯শুবা সিদেদ সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোভিসনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ক্রোএসিয়াগী বোর্না কোরিকপু ৭–৬(৭–২), ৭–৫ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ৫শুবা সিদেদ ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমগা থেংনরগনি।

৩শুবা সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা লুজেমবর্গকী গাইলস মুল্লরবু ৪–৬, ৬–৩, ৬–২ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ১৩শুবা সিদেদ ইটালিগী ফোগনিনিবু ৬–৪, ৬–২ দা থোইরম্বা অতোপ্পা জর্মনিগী শান্নরোই জেএল ষ্ট্রুফকা লম্বা তৌনরগনি।

মোন্টে কার্লো রোলেক্স মাষ্টর্স টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ১১শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা স্পেনগী বোটিষ্টা আগুটনা অতোপ্পা স্পেনগী শান্নরোই ফেলিসিয়ানো লোপেজবু ৬–৩, ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনগা শান্নরগনি।

১৪শুবা সিদেদ কানাদাগী মিলোস রাউনিকনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইটালিগী শান্নরোই এম সেসিনাটোবু ৭–৬(৭–৫), ৬–২ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

জপানগী কৈ নিসিকোরিনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা রুশিয়াগী দিমেদভেদেভপু ৭–৫, ৬–২ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ইটালিগী এ সেপিগা শান্নরগনি।